# তুংগীদমক মীৎয়েং শান্না য়েংমিন্নবা মখৌ তারি... 'খোই মহুম'



## সুর মৈতৈ

মাইকৈ খুদিং মীপুম খুদিং চাবা-থকপা কাওবা মখে ভোটতা ওনশিন্নরি হায়বসি হায়মনবা থোক্ত্রা ? মণিপুরগী তাংলবা লণ অমা ওইরিবা শুমাং লিলানা ফম্পাক্তা চেন-চোংলিঙৈ কনাগী ভোট কনাগী রাজনিটি কনাদসু চঙদে হায়বসি শুমাং লিলানা শুমাং থোক্লক্লবদা খঙবা ঙম্লি। সনা লৈবাক নাচোম আৰ্টিস এসোসিয়েসনগী 'খোয় মহুম' হায়বা লিলা অসি চহি অসিগী ওইনা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদমিনা শীন্দুনা পাং থোকপা শুমাং লিলা চাংদম্নবা শরুক য়াখিবা মতম ভোটকী মৈ হৌনা চেন-চোংনরিঙৈ মতমনি।

অদুবু শুমাং লিলানিবু হায়রবদি চৌত্রি মুন্নবগী ফিভমদা ভাবক্লা ক্রিক ক্রিক ইন্নখি। খোই মহুম হায়রিবা লিলা অসিনা হায়রি ঙসিগী মীরোলদা অশুম্না... চৎনবী হায়বসি মীওইবা ঐখোয়না ঐখোয়গী য়াইফনবগীদমক শেমখিবা লম্বী অমনি । অদুবু চৎনবীনা মীওইবগী পুন্সিদা অমাংবা লৈগদবা ওইরবদি করিগীদমক চৎনবীবু ৱারৌরোইদৌরিবনো।

চৎনবী হায়বসিদগী হেন্না ৱাংবা লৈত্রে হায়না খনবদি লানগনি। চৎনবীবু নমহৎতুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোপ-তোপ্পা তঙাইফদবা লম্বী অমা লৈ হায়বসি খঙনা চৎমীন্নগদবনি। মাগী মাগী অপাম্বা ধর্ম্মদা চৎলবসু ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পান্দমদি পুন্না নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা হায়বসিনি।

লেপ্তনা চেন্থরিবা তুরেলগী ঈচেল, শিৎলিবা নুংশিৎ অমদি ঙাল্লিবা নুমিৎ-থা অসি ফুরুপ অমখক্কী ওইবা য়াব্রা? ইরমদম অসিগী লৈহাওদা চাওরকখিবা অমদি চাওরকখিবী অথৌবা অমদি অথৌবী কয়ানা থাখিবা থৱায় অদু মখোয়-মখোয়গী ফুরুপ্পু চাওখৎনবগীদমক নত্তে।



য়েন্লৌমী কন্নবা অমদি মমা লৈবাকপু তেক্তা-কায়দনা থম্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা ওইখিবা ঙাক্তংনি হায়বসি কাওথোক্লগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ঐতগী হায়বা অপীকপা ৱাখল্লোনদা করিগীদমক হিংলিবনো ঐখোয় মশেল ওনশিন্দুনা কান্নবদা থৌনা ফুদোক্করি। অদুগা মীতোপ মীয়ানচানা ফম্মেন কাখৎলক্লবদা উনা উনা খঙনা খঙনা মকোন্দা তাশিন্দুনা লৈবা হৌদোংগুম্না হিংলিবা করিগীনো ? ঙাইহাক্কী, মতম খরগী অমদি ঐতগী খন্দুনা হিংবগী মহুৎতা তুংদা কয়াম য়াম্না মাংজবা লাক্কদগে হায়বদু মীৎয়েং শান্না য়েংমিন্নদুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎমিন্নসি। লৈমিন্নরবদি ঙাইহাকসু খৎনগনি, ঙাইহাকসু শাওনগনি । ঐখোয় য়েন্লৌমী হায়বসি হৌমিন-চামিন্নরকপনি হায়বসি খঙনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি। মীতোপ মীয়ানচানা ঐখোয়বু নুংশিবদি নুংশিবা শাজিন্নবনি। মখোয়গী পান্দম ফঙলবা মতুং ঐখোয়বু লৈখা তাহল্লগা হন্দোক্লম্লগা চৎখিগদবা ঙাক্তনি। ভোটকী মতমদা ভোট কান্নবা হোৎনবদা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু ভোট্টর চলহনবা হায়বসিনা তুংদা কয়াম য়াম্না মাংজবনো অমদি তোংজবনো হায়বদু খন্থবা চুমগনি। মখোয়বু ভোট্টর ওইহনবা হায়বসি ইশানা-ইশাগী ফম্মেনদা মীতোপ্পু থাংগৎতুনা ফমহল্লগা ঐ ইশানা মীতোপ-মীয়ানচা অদুগী খুয়াখাদা ফমদুনা মীনাই ওইজগে হায়না থৌরাংজবনি । লৈবাক্কী মপি-মপা ওইদুনা মীয়ামগী শেবা তৌবগী মহুৎতা মশাতগী খল্লগা হিংনবা হোৎনবদা মশাগী পোক্লফম লমদমবু মীতোপ্তা শিন্নথোকপনি।

মতাং চারিঙৈ শারিঙৈদা য়ৈহৌবা চুমথোকহৌবা হায়বসিনা তুংগী অফবা ওইগনি ঈংশিনখ্রবদি খোঙ-খুৎ য়োৎহিং পুন্দুনা লৈগনি হায়রি অমুকসু লিলা অসিনা। য়েস মৈতৈগী ৱারিদা এস ঐচ হেমন্তা ৱাই নিলাচন্দ্রনা লমজিং লমতাক ওইদুনা শান্নখিবা 'খোই মহুম' হায়রিবা লিলা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি নুপাগী শক্তমদনা এন জি মঙ্গি য়াইমা (মৌলুবি), এম সোমোরেন্দ্রো (ঝাকির), এস ঐচ হেমন্তা (প্রধান মন্ত্রি), ৱাই নিলাচন্দ্র (অবুং), ও প্রফুলো (খোইরেন), কে ঐচ বোবি (খাগেম্বা) অমদি এল বিদ্যানন্দ (অজাৎ) নি। অদুগা নুপীগী শক্তমদনা এল নরেস (মচু লা), ঐচ তোমপোক (মমতাজ) অমদি পাঙ্গৈ ইন্দ্রজিৎ (লৈমা) নি । লিলা অসিগী ফম্পাকনুংদনা কে জেম সনা (নুপা খোঞ্জেল), কে সনাতোম্বা (নুপী খোঞ্জেল), আর কে জেন্সন (গিটর), এন রোসন কুমার (তবলা, পেদ্রম অমদি ধুলোক), রিঙ্গো মোইরাং (কিবোর্দ), মনিশ্বর থৌবাল (লিরিক্স) অমদি ইবোমচা (ম্যুজিক দাইরেক্টর)) নি।

মুস্লিমশিংগী মরক্তা মখোয়গী জাতিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা জকির মণিপুরদা লাক্তুনা মৈতৈ পাঙল নক্লা খুদান্নবা মফম অমদা লম লৈদুনা লৈখি। মীতোপ ওইরিবা জকিরবু ভোটকীদমক ভোট্টর চলহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া পীখি। জকিরনা মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী ফুরুপ্পু চাওথোক্লবা মৈতৈ পাঞ্জল অনীগী মরক্তা নুংশিন্নদবা কয়া থোক্লকখি। অদুবু য়েন্লৌমীগী কাইনবা য়াররোইদবা নুংশি-লম্বীবু থদৎনবা হোৎনবা হায়বসি অরেম্বনি হায়না মতাং অসিদা ফোংদোক্লি।

মীওই অমগা মীওইবা অমগী মরক্তা খেৎনবা থম্বা হায়বসি মী মীদুগী অপীকপা ৱাখল্লোলনা ওইহল্লি হায়বসি জকিরনা মশাগী খন্না পাং থোরকপা থবক-থৌরমশিংনা উৎলি। প্রধান চিংমী নিংঙোল মচুলাগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদমিন্নরবা মতুং প্রধান্না মহাক্কী মশেল চীংগী লমদা নিংথৌগুম্না লৈবা মীশক অমনি হায়না চাওথোক্লুবা অমদি অবুংনসু মহাক মশামকসু চীংগী নিংথৌ অমগুম্না খনজদুনা পোংলিঙৈ অফ-ফৎতা কয়া খন্থবা ঙমখিদে । মসিনা মরম ওইরগা চীং-তম অনীগী মরক্তসু নুংশিনবা কায়নবগী মচাক ওইরকখি। অদুবু তুংদদি মখোয় মখোয়না থাংজিল্লুরিবা খোঙথাং অদু অরানবনি হায়বা খঙলক্লুবা তুংদা পুন্সিদা নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নবগী অপাম্বা ফাওরকখি। তাঙ্কক অসিদা ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নসি হায়বা মীয়ামদা পাউজেললি। জকিরগী মচলনুপী মমতাজনা মৈতৈ পাখঙ অমগা নুংশি-লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। অদুবু জকিরনা মচলনুপীগী অপাম্বগী ময়োক্তা লৈবা অসিনা হায়রি মদুদি মীতৈ পাঙল অনীগী মরক্তা শোক্ল-তিন্নবা য়াদে হায়বা অপীকপা অরানবা ৱাখল্লোন অদু থাদোকসি হায়না ।

## নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী শান্নবগী পাউ

### ইষ্ট বেঙ্গল, চর্চিল ব্রাদর্স অমসুং আইজোল এফ সি না মখোয় মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে

*শিলোং, মার্চ ৪ঃ*

হিরো আই লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১২ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা শিলোং লাজাংবু ইষ্ট বেঙ্গলনা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা অদুম লৈবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা মোহন বগানবু গৌৱাগী চর্চিল ব্রদার্সনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অদুগা মীজোরামগী আইজোল ফুটবোল ক্লবনা মুম্বাই এফসিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। শিলোংগী জহৱাহলাল হেনরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মাইকৈদগী ওষ্ট্রেলিয়া মচা খৃষ্টোবর পেন্না শান্নখিবা ৯ শুবা মিনটতা অমসুং ৩৩ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা সিলোং লজোংবু ২-০ দা মাংজিল থাখি।



অনীশুবা হাল্ফতা লজোংগী মাইকৈদগী এ দিপান্দ্রনা ৬৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

মোহন বগান অমসুং চর্চিল ব্রাদর্সনা শান্নখিবা মেটচ অদু শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা পি দাসনা মোহন বগানগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা চর্চিল ব্রদার্সকী মাইকৈদগী বি ফর্নাদেসনা ৬৫ শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজর অদু চনখি। এটেক্ট চথবগী চাং চর্চিল ব্রার্দসনা হেনগৎলক্তুনা বোল অদু মোহন বগানগী মাইকৈদা য়ৌশিল্লকখি। শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রাদর্সকী মাইকৈদগী সি লিন্দোসনা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ২-১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। মোহন বগান পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অদু মখোয়না মায়থিখি।

ঙসি আইজোল অমসুং মুম্বাইগা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা আইজোলগী মাইকৈদগী এস বি কামোনা শান্নখিবা ৬৬ অমসুং ৭৮ শুবা মিনটতা থংনন পাঞ্জল অনী চন্দুনা মুম্বাইবু মখোয়না ২-০ দা থোইখি।

### তাইৱানগী শান্নরোই অনী জু ৱৈ ৱাং অমসুং চৌ তেন সেন ফাইনেল শান্নরগনি


*বর্লিন, মার্চ ৪ঃ*

জর্মনিগী সহর বর্লিনদা চথরিবা জর্মন ওপন গ্রান্দ প্রিগোল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচ অনী মায় পাক্তুনা চাইনিস তাই পৈ (তাইৱান) গী শান্নরোই অনী চৌ তেন চেং অমসুং জু ৱৈ ৱাং ফাইনেলদা শান্নরগনি।



ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জু ৱৈ ৱাংনা চাইনাগী চেন লোংবু পুং ১ হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ২১-১৮, ৮-২১,২১-১৮ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতনা চৌ তেন চেন্না জপানগী তকুমা উৱেদাবু ২১-১৭, ২১-১১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল ৱৈ ৱাংগা শান্নরগনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*